মালোম মীহাৎকী অচুম্বা ফংনবা থৌনিখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১, (ঐচ এন এস) : যুথ পিপলস ফোর সোসেল রিফোর্ম শীন্দুনা কুমজা ২০০০ দা অসাম রাইফলসনা মীওই ১০ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা মফম অদুদা হয়েং সেন্ট্রেল ব্যুরো ইনভেষ্টেগেসন (সি বি আই) নামীওই ১,২২৮ ইনভেষ্টিগেসন তৌগদৌরিবা অদু মওং মরীল তান্না তৌবিনবা ঙসি নুমিদাং ভেক্তিম ফেমিলিশিং য়াওনা অচুম্বা ফংহন্নবা অমদি অৱাং নোংপোক লমদমদা আর্মস ফোর্সেস স্পেশল পৱার এক্ট ১৯৫৮ অসি মরু ফংনা লৌথোকখিনবা লোয়ননা তুংগী য়ুম্বীরেল ময়াম অমা কন্নবা ঈশ্বরদা থৌনিজখি। অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবিনবা লুপ অসিগী থৌমীশিংনা মৈরা কত্তুনা ঈশ্বরদা থৌনিখ্রে।

খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম লাই পাঙন্বদা লৈবা হিয়াংলম পি ঐচ সীনা ডোক্তর ৱাৎলি হায়দুনা ২৪x৭ গী সার্ভিস লেপখিবগী মায়োক্তা মায়কৈ অদোমগী ক্লব, মৈরা পায়বীশিংনা নহান্দগী চঙশিল্লন্বা খোঙজং অদু ঙসি হেল্‌ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারগা মাগী ক্বার্টরদা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ানবা পুরকপদগী খোঙজং হন্দোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল খোঙজং চঙশিল্লিবশিং অমদি হিয়াংলম এ সীগী লোকেল এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যাম য়াওনা হেল্‌ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারগী বাবুপারাদা লৈবা মাগী ক্বার্টরদা উনবা অদুদা খোঙজং চঙশিল্লিবা ক্লবশিংগী মায়কৈদগী মিনিষ্টরদা হিয়াংলম পি ঐচ সী অসি ২৪x৭ সার্ভিস হঞ্জিন্নবা অৱাৎপা ডোক্তৃর থারক্লবা, শঙ্গাদ্রিবা হোস্পিটাল অসিগী ক্বার্টরশিং অথুবদা শঙ্গানবা, অৱাৎপা ইনষ্ট্রুমেন্ট শেমগৎপীনবা ৱাফম কয়া পুখৎখি। মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী লাক্লিবা নিংথৌকাবা ফাওবদা ডোক্তর অনী শোয়দনা থারকপা অমদি অথুবা মতমদা ক্বার্টর শঙ্গাবগা লোয়ননা অৱাৎ-অপাশিং পীরক্লগনি হায়না হায়রকপদগী মখা তানা খোঙজং অসি মতম খরগী লেপ্পা হায়না য়ানখিবনি হায়না হিয়াংলমগী এক্স-প্রধান ঈ রাজেননা ফোঙদোকখি।

বির টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামাগী ৱার্কশোপ

ইম্ফাল, জুন ০১, (ঐচ এন এস) : বির টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামাগী ৱার্কশোপ অমা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা থা অমা চুপ্পা রূপমহল ঠিএটরদা পাঙথোক্কনি। শরুক য়ানিংবা মীওইশিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা রূপমহল ঠিএটরগী ওফিসতগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি হায়রি।

বোসেমগী রিগ্যুলর চ্যেয়রমেন হাপ্পীয়ু: দেসাম

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস)ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) গী রিগ্যুলর চ্যেয়রমেন হাপ্পুনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা হাপ্পীদ্রবদি লমদম অসি ফগৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরিবা বোর্দ অসিগী রিগ্যুলর চ্যেয়রমেন হাপ্পুনা ইন-চার্জনা থৌ পুদুনা লাক্লিবা অসি লায়বক থিবনি হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লায়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না ফোঙদোরক্লি।

দেসামগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দা ফিলেমচা বালেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, বোসেম অসি অশাংবা ভিজন অমগী মখাদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা মীওই অমবু রিগ্যুলর পোষ্ট ওইনা হাপ্পগী মহুত্তা গভর্নমেন্টকী তোঙান তোঙানবা ফম কয়াসু পুরিবা মীওইশিং মতম মতমগী ইন-চার্জ ওইনা হাপচিন্দুনা কাঙখোং চায়নবা ভিজন লৈতনবা হোৎনবদা মমাংগী লৈঙাক অমদি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা চথুদুনা লাক্লি।

লৈঙাক অসিদা হংনিংলিবদি ষ্টেট অসিগী মরুওইবা ইগজামিনেসন কয়া কন্দক্ট তৌরিবা অমদি লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনা তল্লিবা লাইরিক ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবগী নম্বগী থৌদাং লৌরিবা অসুক য়াম্না মরুওইবা লোয়শঙ অমদা ইন-চার্জ ওইনা থল্লকপা হায়বসি লমদম অসিগী এদ্যুকেসনদা কাঙখোং চায়নবা মরম অমা ওইহল্লি। মরম অদুনা মীয়ামগী অকনবা খোল্লাউ লাক্ত্রিঙৈদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি মরি লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা রিগ্যুলর চ্যেয়রমেন হাপকদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

বোসেম হায়বসি ওতোনোমস বোদি অমনি। লোয়ননা লোয়শঙ অসিবু চলায়রিবা অসি লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংদগী কারকপা শেনফমননি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা লোয়শঙ অসিবু চলায়রিবা অসি লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনি। মরম অদুনা বোর্দ অসিগী প্রোপর্টিশিং মীওই খরনা শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নরিবা অমদি তৌনিং তৌনিংবা অপাম্বদু তৌরিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

বোসেমনা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা বোর্দকী থৌ পুরিবশিংনা থবক পায়খৎপীয়ু। পরম লান্না থবক তৌবীগনু। বোর্দ অসি হৌজিক হৌজিক মকোক মরু পান্দবগুম লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। ওটোনোমস বোদি ওইনা লৈরিবা বোসেম ফাওবদা ষ্ট্রীমলাইন্দ তৌবা ঙমদনা মতৌ করম্না লৈঙাক অসিনা লমদম অসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেমবু করম্না ফগৎহনবা ঙমগদৌরিবনো হায়না হংলক্লি।

বোর্দকী এক্ট অমসুং রুলগী মতুংইন্না চ্যেয়রমেন খনফম থোকপদা মতম মতমগী লৈঙাক্না পোলিটিকেল ইনফ্লুয়েন্স চংশিন্দুনা মখোয়গী খুৎচাবী হাপ্পবা হোৎনবদা মমাংদা ৱাথোক কয়া থোকখ্রে। লোয়ননা বোর্দকী থবক থৌরম কয়াদা চরক চহিং নায়বা কয়া থোকখ্রে হায়না মরাল শীরক্লি।

বোর্দ অসিগী থবক থৌরম কয়াদা তাশিন খোমজিন্দবগী ৱাথোক কয়া লৈখ্রে। মরম অদুনা মখা তাবা ৱাথোক থোক্লবা অমদি মীয়ামগী ঈহৌ লাক্ত্রিঙৈদা বোর্দকী আর আরগী মতুংইন্না মথৌ তাবা চ্যেয়রমেন, সেক্রেটরি অমসুং কন্ট্রোলর হাপ্পীয়ু অমদি লৈঙাক্না খুৎ থিংজিনবীগনু হায়রি।

কোচিং ক্লাস হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস) : দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না শীন্দুনা ঙসিদগী জি পি ৱিমেন কোলেজ, ইম্ফালদা থা ২ চথুগদবা এম য়ুদা নৌনা মিং চনগদবা মহৈরোয়শিংগীদমক শিনবা ১১ শুবা এম য়ু স্পেসল এন্ট্রান্স টেষ্ট কোচিং হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী মহৈরোয় ২০০ রোম্না শরুক য়াদুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা দেসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন ইদিসন মৈতে অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কোল্লার এম শাওলিন, এস চাওথোইনা থৌরম মপু ওইখি। হৌদোকপগী থৌরমগী ৱারোল পীরদুনা দেসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট ইদিসননা হায়, দেসামনা কোচিং অসি মণিপুরগী শোথরিবা হায়র এদ্যুকেসনগী শরুক অসিদা খরদং ওইরবসু মেনখৎনবা শিঙ্গবনি। মণিপুর লৈঙাক্না হায়র এদ্যুকেসনগী ফংফম ওইরিবা কোলেজশিংদা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপনা মহৈরোয়শিংদা তোঙান তোঙানবা প্রোব্লেম কয়া অমসু মায়োক্লুরিবনি। কোচিং অসিদা মহৈরোয়শিংনা এন্ট্রান্স টেষ্ট অসি মায়োক্লবনা হেন্না লায়হল্লগনি। মরম অসিনা মখা তানা লাকপা মহৈরোয়শিংদসু কোচিং অসি য়াওহনবগী খুদোংচাবা পীখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

স্কুলদা থোমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস) : ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবীদা লৈবা মিলিনিয়ম ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্সকী ওজা অহুম্না মহৈরোয় অমবু দাগফম নাইনা ফুরকখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মহৈরোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওই কয়া লাক্তুনা স্কুল অসিদা থোমজিনখ্রে। মহৈরোয়গী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী স্কুল অসিদা থোমজিল্লক্তুনা অঙাং ফূবদা চেন্নবা ওজাশিং স্কুলদগী লৌথোক্কদবনি, থৌদোক থোকপা নুমীৎ মে ২৫ গী ভিদিও ফ্যুটেজ পীগদবনি, অঙাংগী ট্রান্সফর সার্টিফিকেট পীগদবনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া পুখৎলকপদগী স্কুল ওথোরিটিগা নিংঙাই শংদানখি। মতম অদুদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী দিনেশনা লুচিংবা টিম অমনা লাক্তুনা ঈরাং অদু কন্ট্রোল তৌখি হায়রি।

এক্সিদেন্টদা ৪ শোক্লে

ইম্ফাল, জুন ০১, (ঐচ এন এস) : নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা ঙসি জিরিবামলোমদগী ইম্ফাল তম্না চঙলকপা বিলাটিমাটি পুরকপা ট্রক অমগা ইম্ফাললোমদগী জিরিবাম তম্না লাকপা পোৎ য়াওদবা ট্রক অমগা থেংগায়নবদা পোৎ য়াওদবা ট্রক অদু লোকখাদা তাখ্রে হায়রি।

থৌদোকঅসি ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। ট্রক পোৎ য়াওদবা অদুদা পুন্না মীওই ৩ তোংলকখি। মখোয় অহুমগী মনুংদা মীওই অনী ফিভম থিনা শোক্লে। বিলাটিমাটি পুরকপা ট্রক অদুসু গাড়ি মমায় অনী য়ৈশিন্নবা মতমদা দ্রাইবর অদুসু চপশিনবদগী মীয়াম্না গাড়িগী বোদিগী শরুকশিং অদু চিংথোক্লগা শেৎতোকখি। মহাকসু য়ৈশিন্নবা অদুদা মখোঙদা শোকখি।

রেল্লি চৎহনখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১: ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ সক্সেসফুল কেন্দিদেট মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল ২০১৩ গী জে এ সীনা শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম অমা ফমদুনা অথুবা মতমদা মখোয়গী রিজল্ট অসি হায়দোকপীয়ু হায়না খোঙজং চঙশিনখ্রে অমদি লোইরকপদা সী এম বঙ্গলো তম্না রেল্লি চৎনবা হোৎনবদা পুলিসনা থিংদুনা চৎহনখিদ্রে।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জে এ সী অসিগী ৱাঙাঙলোয় এম দি নজয়া হাসননা হায়, মণিপুর হায় কোর্টনা থা ২ ফাওবগী মনুংদা রিজল্ট হায়দোক্কদবনি হায়না এপ্রিল ৫, ২০১৮ দা রাই ফাওবা তাখ্রগা হৌজিক কোর্টনা পীবা মতম লোইদৌরবা ফাওবা লৈঙাক অসিনা তুমীন লৈশিনবা অসি ঈহৌ হৌরক্ন বা শিনবনি। কুমজা ২০১৩ দগী হৌজিক ফাওবা নমশিন্দুনা লৈবা অসিনা মরম ওইরগা কেন্দিদেটশিংগী ইমুং-মনুংদসু তোঙান তোঙানবা প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লুরে। মমাঙদা কোর্টতা কেস লৈবনা হায়দোক্লমদবা অদু হৌজিক্তি কেস লোইরবনিনা অথুবদা হায়দোকপীরো। লাক্লিবা জুন ৩ ফাওবদা রিজল্ট হায়দোক্ত্রগদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়খি। ৱাকৎ মীফম অসি লোইরকপদা কেন্দিদেটশিং, ইমুং-মনুংশিংনা সী এম বঙ্গলো তম্না রেল্লি চৎপা হৌরকপদা এদিসনল এস পি প্রিয়াদসিনি লাইশ্রমনচিংবা পুলিস টিম অমনা থিংদুনা চৎহনখিদে হায়রি।

আর এন রবিনা ঈরাং থোক্নবা শিল্লে: এম এম দব্লিয়ু ও

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস) : ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা মণিপুরদা ঈরাং থোক্নবা শিল্লে হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)গী প্রসিদেন্ট ফুন্দ্রেমযুম পথানননা ফোঙদোকখ্রে।

মিনুথোংদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফুন্দ্রেমযুম পথানননা হায়খি, হৌজিক মণিপুরগী মীয়ামগী নীক-নীক লাউনা লৈতাদনা লৈরিবসি আর এন রবিগী ৱাঙাং অদুননি। আর এন রবিগী ৱাফম অসিনা শেংনা চথুরক্লবদি মণিপুরদা অচৌবা ঈরাং অমা থোক্লক্কনি। ওর্গনাইজেসন অমা থেম্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী মীওই লাখ কয়াগী পূন্সি মাঙহনগদৌরে। মসিদা মণিপুরগী মীতৈ পাঙলশিংনা লেম্না তোক্লোই। কবো ভেলি বর্ম্মদা পীথোকখ্রবগী মতুংদা ঙসিসু অমুক মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরক্লি। ফুরপ অমখক্কী ওটোনোমি তানবা য়ারোই। য়েক্লবা কনানো হায়বসি মশক খঙদোকপা চঙই। আর এন রবিগী ৱাফম অদুনা মণিপুর মীয়ামদা হেন্না অশাউবা পোকহল্লে। মীয়ামগী পূন্সিদা লৈতাদবা ফীভম ওইরি। মণিপুর থুগায়নবা হোৎনবদা আর এন রবিনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকপা হায়বসি মীয়ামগী মায়োক্তনি।

মীতৈ পাঙলশিংগী মরক্তা রোহিংয়া লোৎশিল্লি হায়বগী চিংনবা লৈরি হায়বা খঙই। অদুবু মীতৈ পাঙলশিংগী চানিংঙাই অমদি লৈফম ফাওবা মরাং কায়না লৈত্রিবা অসিদা রোহিংয়াদা পীজনবা অমদি লৈহন্নবা মফম লৈতে। মীতৈ পাঙলনা খুন্দাবা মফমশিংদা চাকহেন থা হেক লোইবগা দ্রাইব চথুরগনি। দ্রাইব চথুনবা শেম শাবা লোইরে। কুমজা ১৯০৬ তগী মণিপুরদা মীতৈ পাঙলনা খুন্দারকপদগী অৱা-নুংঙাই কয়া শরুক য়াদুনা লাক্লবনি। মীতৈ পাঙলশিংনা লেংথোং পুমিন্নরগা লাক্লবা ঙাক্তনি। য়েলহৌমী কন্নবা দ্রাফটিং কম্মিটি শেন্বদা মীতৈ পাঙলগী এম এল এ অমত্তা য়াওরমদ্রে। মীতৈ পাঙলদগী কারকখিবা এম এল এ অনী লৈরিবনি। ঙসি চীফ মিনিষ্টর উনদুনা করিগী য়াওদ্রিবনো হায়না হংখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী, হীরম অসিগী মতাংদা খন্নরগা লৈবনি। হোবে-হোবে তৌবদগী চিংথবনি হায়বা ৱাফম থল্লকখি। এম এল এ অব্দুল নসির য়াওহল্লগনি হায়নসু হায়রকখি। কাউরম্লগসু য়াওহল্লগনি হায়না হায়রকপা অসিগীদমক থাগৎলি।

অমরোমদা, য়েলহৌমী কন্নবা বিল দ্রাফটিং কম্মিটি শেম্বদা পাঙল ফুরুপ য়াওরমদবা অসিদা ওল মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

মিনুথোংদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট সিংঙামযুম জলালনা ফোঙদোকখিবদা, য়েলহৌমী কন্নবা বিলগী দ্রাফটিং কম্মিটি শেন্বদা পাঙল ফুরুপ য়াওহনবীয়ু। পাঙলগী মীহুৎ অমা য়াওহনবীদুনা য়েলহৌমী কনবদা পূন্না চঙশিনমিন্নসি। নোংজু মীফমদা য়েৎননিংঙাই য়াওদ্রবা বিল পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। চিংথহৌবা কয়াসু হাপচিল্লক্কনি। মীয়ামগীদমক অফবা বিল অমা শোয়দনা পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

স্কুলশিংনা অফবা মহৈরোয় লৈবগী থৌওং চথুগনু: মাফ্রো

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস)ঃ ক্লাস টেন পাস তৌরবা মার্ক ৱাঙনা ফঙলকপা অমদি পোজিসন হোল্ডরশিং ওইরিবা মহৈরোয়শিংবু শেল য়াম্না পীদুনা অমদি স্কোলরশিপকী মীংদা লুপা লাখ অমদগী হৌরগা লাখ তরেৎ ফাওবা য়ৌনা লৈবগী পাউ মণিপুর ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন (মাফ্রো) না ফঙলে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মাফ্রোগী সেক্রেটরি জেনরেল জোন্সন মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিং লমদম অসিদা লৈরিবা স্কুলশিং অসিনা অরানবা লম্বীদা মহৈরোয়শিংবু পুরব্রা হায়বা ৱাখল্লোন অমা ফাওহল্লি। তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা করিসু খঙজদ্রিবা মহৈরোয়শিং অসিদা অচৌবা শেনফম উহন্দুনা লৈবা য়োনবগী ফিভম অসিদা অসুম চথখিবা তারবদি হৌরক্লিবা অফবা মহৈরোয়শিংবু অচুম্বা লম্বীদা পুবীবগী মহুত্তা অরানবা লম্বীদা লমজিংবা হৌরে। লৈঙাক অসিনসু এন্টি করপসন সেলনচিংবা হাংদুনা শেঞ্জা থুমজা মুথৎনবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংবু লান্না লমজিংলিবা স্কুলশিং অসিদা গভর্নমেন্টনা করি এক্সন লৌখ্রবগে হায়না হংলক্লি।

চহী ১৫ রোমদা ঙায়রিবা ৱাখল মপুং ফাদ্রিবা মহৈরোয়শিং অসিনা তুংদা লৈবাক্কী ফম্নাইবা অমসুং ফম্নাইবী ওইরক্নবসু মখোয়দা শেঞ্জা থুমজাগী লম্বীদি হৌজিক্কী মমীং লৈ হায়না খল্লিবা মহৈরোয় কয়া অসিবু শেল য়াম্না পীদুনা লৈরিবা স্কুল অসিনা তম্বীরকপা ৱাখল্লোন অদু য়াওখিগদৌরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন পাস তৌরবা পোজিসন হোল্ডরশিং তুংগী লম্বী অমা শেমগদৌরিবা মহৈরোয়শিং অদুগী স্কোলরশিপ পীগদবদি য়াওদ্রি। মহৈরোয় শেম্বগী মীংদা মহৈরোয় লৈরগা অফবা স্কুলনি হায়গদৌরিব্রা। মহৈরোয়শিং অসিদা লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা মমা-মপা লৈজদ্রবা মহৈরোয়শিংদা স্কোলরসিপ পীবা অমদি লেম্না মহৈ তমহনবীবগী পাউদি স্কুল খরখক নত্তনা তাবা ফঙদে হায়রি।

তুংগী মীরোল ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিং অসি ক্বালিটি লৈনবা পুথোক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা অরানবা লম্বীদা লমজিংনবা হোৎনবীগনু। লোয়ননা মরি লৈনবশিংনসু পুন্না হোৎনদুনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি। নৎত্রবদি তুংগী মীরোলদা অচৌবা মাঙজবা লাক্লগনি হায়রি।

হোমগী অঙাংশিং লেম্না লায়েংলগনি

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈবী সনা পাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিং লেম্না লায়েংবীরগনি হায়না রিমস রোদতা লৈবা ইম্ফাল হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্তরনা ফোঙদোরকপগীদমক হোম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিং, ষ্টাফশিং, থৌ পুবশিংনা হোস্পিটাল অসিগী থৌ পুবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গৈই পীবানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি, হোস্পিটাল অসিগী মেনেজিং দিরেক্তরনা মে ১৭ তা হোম অসিদা চেরোল অমা পীদুনা ৱারোল অসি খঙহনবীরকখিবনি। হোম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিং অসিগী হোস্পিটাল অসিগী কন্সলটেন্ট অমদি সুপর স্পেসিয়েলিষ্টশিংনা লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক্কী মমল অমদি এক্সরে ফিল্মনচিংবগী মমল নত্তনা ও পি দি, এক্সরে, পেথোলোজি, অলত্রাসাউন্দ, ঈ সী জি, সী টি স্কেন্নচিংবগী মমল তিংলোই হায়রি।

ইরেন্দ্রো থাদোরক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি : প্রজা

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস) : পিপলস রিসর্জেন্স এন্দ জষ্টিশ এল্লাইন্স (প্রজা)গী কনভিনর ইরেন্দ্রো লৈচোম্বম অথুবা মতমদা থাদোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরে হায়না প্রজাগী জোইন্ট সেক্রেটরি সমানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সমানন্দনা হায়খি, প্রজাগী কনভিনর ইরেন্দ্রো অসি ফেসবুক্তা থাদোরকখিবা ভিদিও অমদা কমেন্ট পীরুবদগী লৈঙাক্না এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌদনা মে ২৬ তা ফাখিবনি। মে ২৮ দা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ ১৫ নিগী জুদিসল কষ্টদিদা থমখিবনি। ঙসি নুমিৎ ৭ নি শুখ্রে। ইরেন্দ্রো অথুবা মতমদা কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি। ইরেন্দ্রোনা লৌরিবা ফিরেপ অসি লমদম অসিগী মীয়ামগীনি। লমদম অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিংনা ইরেন্দ্রোগী ওইরিবা ফীভম অসিদা শৌগৎপীয়ু। লৈঙাক্তা প্রেসর পীবা মথৌ তাই। প্রজাগী মায়কৈদগীসু অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরে। অথুবা মতমদা ইরেন্দ্রোবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীরকউ। চঙশিনগদবা খোঙজংশিংগী মতাংদা অথুবদা লাউথোরক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

রোহিংয়া নুপী অমা সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টনা বেলদা থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১, (ঐচ এন এস) : বাংলাদেশতগী অঙাং মচা অমা চেল্লগা লাকখিবী নুপী অমা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ইষ্টনা বেলদা থাদোকখ্রে। নুপী অদু হৌখিবা মে ২১ দা রোহিংয়া রেফ্যুজি তরেৎকা লোয়ননা ফাখিবনি।

বেলদা থাদোকখিবী নুপী অদু বাংলাদেশতগী লাক্লগা হৌজিক্লা হাট্টা গোলাপতিদা লৈবা মশাগী চহী ২৭ শুরবী সুলতানা মপুরোইবা এম দি অয়ুব কৌবী অমনি। মহাক্কী পীক্লিবা অঙাং অদুনা অয়ান কৌই। ম্যান্মারদগী চেল্লকখিবা রোহিংয়া রেফ্যুজি তরেৎতু আইদেন্টিফাইদ তৌরে। মখোয়দুদি, এম দি য়ৌনুস (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা অব্দুল হকিম, লৈফম্না ফাকিদুৱাং ভিলেজ, মাউনদো, ম্যান্মার, এম দি অনৱার (২৮) অপোকপা কুলা মিয়া, লৈফম্না মৌরা ভিলেজ, বুথিদুৱাং, ম্যান্মার, এম দি ইসমাইল (২৮) অপোকপা এম দি সাভর অহম্মদ লৈফম্না বিথিদুৱাং ব্লোক টু, ম্যান্মর অমসুং মাইনর অহুম্না এম দি ইসমাইল (১৮) অপোকপা অব্দুল জলিল লৈফম লৱোদুৱাং, এম দি বুথিদুৱাং, ম্যান্মার, মিস রমিন (১৮) অপোকপা এম রফিক, লৈফম্না বুথিদুৱাং, ম্যান্মার অমসুং অসমা বিবি (১৮) অপোকপা এম দি রফিক লৈফম্না বুথিদুৱাং ম্যান্মারনি। মখোয় লোইনমক ষ্টেট অসিদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙলকখিবগীদক্তা হৌখিবা মে ২১ দা হাট্টা গোলাপতি মনিং লৈকাইগী অশানবা য়ুম অমদগী ফাখিবনি। কোর্টনা মখোয়বু নুমিৎ ১৫ জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা খঙহনখি। অহানবা ভেরিফিকেসন চথবদা রোহিংয়া রেফ্যুজিশিং অদু কুমজা ২০১৫ দা ম্যান্মার থাদোক্তুনা চেল্লগা ৱাংলাদেশকী রেফ্যুজি কেম্প অমদা মতম খরা লৈরবা মতুংদা বাংলাদেশকী এজেন্ট অমগী খুৎথাংদা মতিক চাবা চেচাং য়াওদনা ইন্দিয়াদা চঙলকখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No. : 729
9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
(Opposit mantripukhi auto parking)
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018
(Separate CBSE,BOSEM&COHSEM Batches)

SCIENCE
WISH YOU ALL THE BEST IN YOUR FUTURE CAREER
2nd Position Luckyson Ningthoujam
3rd Position Yumnam Devajit
9th Position Akoijam Badal Singh
9th Position Konica Nongmaithem
10th Position Asem Korounganba
15th Position Laishram Ereoba Meitei
15th Position Haobam Arbin Singh
17th Position Shagolshem Bikish Singh
ARTS
2nd Position Takhelchangbam Sunaina Devi
3rd Position Yengkhom Gunchenba
4th Position Tekcham James Singh
6th Position Moirangthem Loyangamba
7th Position Sh. Obed Kharam
8th Position Takhellambam Oresh Meitei

HL-B/4560/6/4-6/5

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঙ্খিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঙ্গরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীভৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।
Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
HL-B/4629/17/5-16/06



ꯑꯦ ꯑꯥꯏ ꯁꯣꯁꯤꯌꯦꯜ ꯁꯥꯏꯟꯁꯦꯁ ꯇꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
A.I. SOCIAL SCIENCES TUTORIAL CENTRE
Keishamthong Elangbam Leikai
ADMISSION OPENS FOR
Class X (BOSEM)
20th FOUNDATION COURSE
Class Commencing from 11th June 2018
- Time : 5:00 am to 6:00 am
- 4:30 pm to 5:30 pm
- Only 15 students per batch
- *Subjects :* Geo, History, Civics, Economics

Previous records: **Pass Percentage:**
T. Meghila, 23rd Position *100% consecutives*
80% and above - 16 students *10 years*
CHAPTERWISE TEST ON EVERY SUNDAY
Please Contact : ☎ 9856475399
Sir Ajitkumar, Board Examiner
Sir Ipajao, Former Regular English School
HL-P/1231/7/5-5/6

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN Foundation Course for Class III to X
Starts from 7th June 2018 Time - 4:30 pm to 7:30 pm *Limited Seat*

TOPPERS of 2017
1st Position Priyanka M. D/o. M. Humeshwar & R.K.
4th Position Rozaria Th. D/o. Th.Joychandra &
4th Position Khushi Kh. D/o. Kh. Rakesh & Rita Devi
6th Position Micheal A. S/o. A Hemanta & Ranjana Devi
8th Position Bideli Devi D/o. A. Deben & M. Bimola Devi
9th Position Md. Swadique S/o. Md. Mujibur Rh & Mrs. Sakila
9th Position Robinson Kh. S/o. Iboyaima Kh. & Y. Renubala Devi
9th Position Russel Ch. S/o. Johnson Ch.
13th Position Th. Yaiphabi D/o. Bhagat Th.
14th Position Siddhant W. S/o. W. Nabakumar
15th Position Neelima N. D/o. N. Surjit Singh
17th Position Krishnand L. S/o. L. Robindro
20th Position K. Hennae D/o. K. Debadutta
21st Position M. Thoibisana D/o. M. Bimol
21st Position Tina Th. D/o. Shaphaba
21st Position R.K. Kebisana D/o. R.K. Deepak
22nd Position Guigaingam K. S/o. Titus Kamei
23rd Position Ng. Babyka D/o. Ng. Bikramjit
23rd Position Meghila T. D/o. T. Meghachandra
TOPPERS of 2016
1st Position Sohana Laishram
2nd Position Naorem Suzanna
3rd Position M. Vasundhara
8th Position Wosoron C
9th Position Sindia A
10th Position Yaisana A
10th Position Chetanna RK
11th Position Selina K
12th Position Malemnganbi Kh
12th Position Joyson Haokip
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Pliz Contact : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE
HL-B/4592/29/5-28/6